ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



রূপমহল থিএটরদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ১৬ অমসুং ১৭শুবা হৱাইবম নিলমনি মেমোরিএল এৱার্দ ২০২৩ অমসুং ২০২৪বু খ্বাইরাকপম বিশ্বামিত্র অমসুং হৈস্নাম তোম্বদা লান্থোকখিবা

লৌফমদা নাপী হিদাক্কী কান্নফম খঙলক্তবা ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ ওল্লিভৈগী কাং চীংবা নীংশিংলকই

উঙমদবা হয়েংদু পূন্ন'মুক্তং য়েংমিন্নসি ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মীয়ামগা তোয়না উনদুনা পল্লেলগী খুঞ্জাশিংবু ...

থা অসিগী ১০ দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ৭ কী মরক্কী এসেমব্লি ... ☛ লামায় ৮

লামায় ১২ ☛ ষ্টেট লেভেল এমেচর মুইএ থাই চেম্পিয়নশিপ...

অঙোম নিংথৌ প্রিজার্ভেসন এন্দ দোক্যুমেন্টেসন সেন্টর, ইম্ফালনা দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা চোংথাম দিপুনা ইবা অহুমশুবা নোবেল 'ৱাংমা ৱাংমগী থম্মোয় অনী' ফোঙদোকখিবা



Vol. 48, Issue No. 103 | নোংমাইজিং, ইঙেনগী ৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, July 14, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# স্কৱার কিলোমিটর ২৩২ খক্তমক পাক চাউবা জিরিবামদা মণিপুর লৈঙাক্লা তমথীরবা লান থোকহন্দবা ঙমদ্রে

## লৈঙাংপোকপীদা লৈবা জিরিবাম দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও) গী এদভাইজর এন সদানন্দগী য়ুম কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থারম্লে

## কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৬কী নুংথিলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা সোইবম সরতকুমার কৌবা জিরিবামগী মীচম অমা ফাদুনা পুখ্রগা থাঙনা য়ান্দুনা তমথীবা মওংদা হাৎলগা হুন্দাক্লম্বদগী হৌজিক ফাওবদা জিরিবামদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লানশিং মণিপুর লৈঙাক্লা লেপহনবা ঙমদবদগী ঙরাংসু জিরিবাম দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও) গী লৈঙাংপোকপীদা লৈবা এদভাইজর নোংমাইথেম সদানন্দ (৪৬) গী য়ুম কুকি টেররিষ্টশিংনা নারোন্দা চঙশিল্লক্লগা মৈ থারম্লে।

...মখা লমায় ৩ কলম ৫



কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈ থারম্লবা জে দি ওগী এদভাইজর এন সদানন্দগী য়ুম এ আরনা কন্নবা হোৎনবা

## এম পি অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা শকখিবা ৱাশক থবক্তা ওন্থোক্কদৌরে

# লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা কম্মিটি ১ শেমখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা নম্বর ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদগী মায় পাক্লকখ্রবা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মীখল মমাঙ অমসুং মীখলদা মায় পাকপগী সর্টিফিকেট লৌবা লাকখিবদসু অমুক হন্না ফোঙদোকখিবা 'লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা অহানবা ওইনা থবক পায়খৎকনি' হায়দুনা মীয়ামদা শকখিবা ৱাশক থবক ওইনা ওন্থোরক্নবা কম্মিটি শেমখ্রে।

কম্মিটি অসি শেম্লে হায়বগী ৱাফম অসি ঙসি এম পি মশামক্লা খূৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ফোঙদোরকপনি। মহাক্কী ওফিসতগী থোরকখিবা চেরোল (নোটিফিকেসন) অসিগী মতুংইন্না মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী থোরক্লিবা হাৎন-শুনবনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী খুন্নাই অমদি পোলিটি কাং-খোং চাইহনবদা নত্তনা মীওই ২০০ হেন্না লৈখিদ্রে। মীওই কয়া অমনা থিবা খঙদনা লৈরি। অদুগা মীওই লিশীং ৭০ রোম্না ময়ূম মকৈ লৈহন্দবদগী রিলিফ কেম্পশিংদা অৱা চৈনা খাঙদুনা লৈরি হায়রি।

অসিগুম্লবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং মরু ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমদি ককচীংদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং অসিগী সোসিও-ইকনমিক প্রোফাইল শেম্নবা, মখোয়গী হৌজিক ওইরিবা পুন্সি মহিং খরমখৈ শাফহন্নবগীদমক পোলিসি প্রোগ্রামশিং

...মখা লমায় ৩ কলম ৪



# জিরিবামদা পোষ্টিং পীরক্লবশিং অথুবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লাকপীয়ু : কোকোমি

## কোকোমিগী থৌমীশিংনা জিরিবামগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং পুলিসকী এস পিগা পুং অমা হেন্না ৱারী শানখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :**

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লেপ্তুনা থোরক্লিবা লানগী থৌদোকশিংগী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবশিংগা হকথেংননা উনদুনা মখোয়গী অৱাৎ অপা হংলুনবগীদমক ইম্ফালদগী চৎখিবা কোকোমিগী থৌমীশিংগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং এস পিগা পুং অমা হেন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তারকপদগী কোকোমিগী কোওর্দিনেটর জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা লুচিংদুনা কোকোমি ৱিমেন ৱিংগী মীহুৎশিংগা জিরিবামদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা দি সী অমসুং এস পিগা কূপ্না ৱারী শানখিবনি হায়রি।

মীফম অসিগী মতাংদা জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোরকপদা জিরিবামগী মীতৈশিংনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অসিগী মহুত্তা মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনবা য়ানবা থবক পায়খৎপীয়ু

...মখা লমায় ৩ কলম ৬



# পঞ্জাবতগী ত্রেননা পুরকখিবা চেঙ মেত্রিক টন ৯৪৯ চীফ মিনিষ্টরনা খোংশাংদা ওকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬তগী হৌরদুনা পঞ্জাবকী ধুরিদগী মণিপুর তম্না চেঙ মেত্রিক টন ৯৪৯ ৱেগোন ১৫দা হাপ্লগা পুরকখিবা ত্রেননা ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খোংশাং রেলৱে ষ্টেসন য়ৌশিল্লকখিবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা খূৎপু অমনা নোদর্নফ্রন্টিয়র রেলৱেগী ওফিসলশিং অমসুং এফ সী আই রিজনেল ওফিস, মণিপুরগী ওফিসলশিংগা পূন্না ওকখ্রে।

য়াম্লবা চেঙশিং পুরকখিবা ত্রেন ওকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা চেঙশিং অসি রেলৱেগী খূৎথাংদা মণিপুরদা য়ৌহনবীরকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎখি। মসিগী মমাঙদা তাঙ্কক অনীরক্তসু তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং পুরকপা ত্রেন অনীরক থুংখ্রবনি হায়রদুনা মায় পাকপা অসিমক প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়দোকখিবা ৱাফম ঙাকপগা লোয়ননা রেলৱেগী ওফিসলশিং, এফ সী আই অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সনা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক খন্দুনা লৌখৎলকপা থবকশিংদগীনি হায়নসু শীংথাখি।

মহাক্লা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং য়াওনা ষ্টেট ফোর্সশিংনা কখোকপগা লোয়ননা মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনববুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

রেলৱে ষ্টেসনদা থবক

...মখা লমায় ৩ কলম ২



## জুকো ভেল্লিগী ৱাথোক : মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী ফূরুপ ৩না য়াশিন্নবা পুরকখ্রে

**কোহিমা, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :** মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোল ওইরিবা জুকো ভেল্লিগী অকোয়বগী শরুকশিংদা নাগালেন্দগী অঙ্গামি অমসুং মণিপুরগী মাও, মরাম, নাগা ফূরুপ অহুম্না মফম অসিগী লমগী মপু ওইনবগীদমক মখোয়গী মরক্তা মতম কুইনা শাংনা লৈরকখিবা উংখৎনবা অদু নাগা ত্রাইবেল বোদি অমনা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা উংখৎনবা লোইশিনহনখ্রে।

ৱায়েল অসি নাগালেন্দগী টেনয়িমি ফূরুপকী কষ্টমস অমসুং ত্রেদিসনদা য়ূম্ফম ওইরগা চথখিবনি। য়াশিন্নবা অসিনা ষ্টেট অনীগী পোলিটিকেল বাউন্দরিদা অকায়বা পীদনবগী ৱারেপসু লৌদুনা ৱারোইশিন পুরকখিবনি।

অঙ্গামি, মাও অমসুং মরামগী মীহুৎশিং য়াওবা অদুগা টেনয়িমি নাগা ত্রাইব ১০গী অপূনবা বোদি ওইরিবা টেনয়িমি পব্লিক ওর্গনাইজেসন (টি পি ও) না ঙরাং মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা কেজোল্টশা উমংবু মপু ওইনবগী মতম কুইনদগী উংখৎনদুনা লাকখিবা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকখিবনি।

নাগালেন্দগী সাউদর্ন অঙ্গামিশিং, মণিপুরগী মাও কাউন্সিল অমসুং মরাম খুল্লেন য়াওনা মায়কৈ অহুমগী পার্টিশিংনা ষ্টেট অনীগী মরক্তা লৈরিবা ঙমখৈগী শরুকশিংবু য়াৎথোক্লদুনা য়াশিন্নবা পুরকখিবনি।

টি পি ওগী প্রসিদেন্সিএল কাউন্সিলনা ওর্দর অমা থোক্তুনা চয়েৎনরক্লিবা মফমশিংগী তাংদাংবা খঙদোকমিন্নখিবগা লোয়ননা ফূরুপ অহুম্না মফমশিং অসিবু ঙাক শেন্দুনা থমগদবনি হায়বা ৱাফমদসু য়ানখি।

করিগুম্বা ফূরুপ অমনা হায়রিবা ৱায়েল অসিগী

...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চোংথাম দিপুগী ৩শুবা নোবেল 'ৱাংমা ৱাংমগী থম্মোয় অনী' ফোঙখ্রে





**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** অঙোম নিংথৌ প্রিজার্ভেসন এন্দ দোক্যুমেন্টেসন সেন্টর, ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা চীংলেম্লবা থৌরম অমদা অইবা চোংথাম দিপুগী অহুমশুবা নোবেল 'ৱাংমা ৱাংমগী থম্মোয় অনী' ফোঙখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১ তারকপদগী হৌখিবা থৌরম অসিদা মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী কনভিনর প্রোফেসর রাজেন তোইজাম্বনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি ডা. মাখোনমনি মোংসাবনা ময়ায় তাংবল লৌখি।

থৌরমগা মরী লৈননা নোবেল অসিবু ইরিবা চোংথাম দিপুনা হায়, ঙসি ফোঙলিবা

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কুকি টেররিষ্টশিংনা হাৎতোকপীখ্রবা লিন্থোইঙম্বী অমসুং হেমঞ্জিৎ

# চহী অমা হেন্না শিন্থরক্লিবা মমা-মপাশিংগী পিরাং লৈঙাক্লা খকহনবা ঙমদ্রে



লিন্থোইঙম্বী অমসুং হেমঞ্জিৎকী ফোটোদা মৈরা কৎতুনা চান-থরুবা শরুক তম্বা (ওই) হেমঞ্জিৎকী অপোকপা-অপোকপী (ময়ায়) অমসুং লিন্থোইঙম্বীগী অপোকপা

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী হিংচা-য়াইতন্বা কুকিশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা অতম্ননা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান মনুংদা মখোয়গী মখূৎতা তাখিবদগী মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোকপীখ্রবা নৌরিবা মহৈরোয় লুৱাংবী লিন্থোইঙম্বী হিজম (১৭) অমদি ফিজম হেমঞ্জিৎ (২০) গী অপোকপা অপোকপীনা ঙসি ফাওবদা চহী অমা হেন্না মখোয় অনীতবু লাইনীং ওইদুনা মমিৎতগী লেপ্তুনা শিন্থরক্লিবা পিরাংশিং মণিপুর লৈঙাক্লা খকহনবা ঙম্লমদ্রে।

জুলাই ৬, ২০২৩গী অয়ুক্তা ময়ূম-ময়ূমদগী থোকখিবদগী ঙসি ফাওবদা মখোয় অনীনা শেৎ-চাখিবা ফিরোলগী মতৎ অমা নৎত্রগনা শরু মচেৎ অমা ফাওবা ফংদবদগী হাৎতোকপীখ্রে খঙলবা মতুংদগী হৌজিক ফাওবদা চহীগী কুমওন ফিরোই ফাওবা পাঙথোক্কদবা মতম হেন্দোরক্লবা ফাওবদা অঙাং অনীমক্কী অপোকপা-অপোকপীশিংনা মখোয় অনীগী মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লৈরি।

ঙসি ফাওবদা ফংদ্রবসু পাঙ্গোংনা মহুৎ শিল্লগদি মখোয় অনীগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লরোই হায়না শিখাং খাঙলকপগা মরী লৈননা লিন্থোইঙম্বীগী অপোকপী হিজম ওংবী জয়শ্রীনা পাউচে অসিদা হায়, লৈঙাক অসিনসু হৌজিক তূমিন্না লৈশিনখিবগুম তৌরে। অঙাং অনীবু

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## রিলিফ কেম্পতা নহা ১ থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বগী মায়োক্তা থৌনাওজম বৃন্দানা এন ঐচ আর সীদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬কী নুমিদাং পুং ৯.১৫ রোম তারকপদা ক্বাক্তা সেরিকলচর ফার্মগী কেম্পসতা লৈঙাক্লা নৌনা শাখিবা প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউসকী কা অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবা চূড়াচান্দপুরগী তুইবোং ফোরেষ্ট গেটতগী অঙোম প্রেমকুমার (৩৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কুল্লনা থৌরী য়ান্দুনা

...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বোম থল্লম্লে, নোংমৈ কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা লম্ফেল পি এসনা কোল্লিবা ক্বাকৈথেল চবুংবম লৈকায়দা লৈবা চবুংবম সোমোরজিৎ (৫০) কৌবা ওজা অমগী য়ূমগী থোঙ্গালদা দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অমা শকখঙদবশিংনা থল্লম্লে হায়রি।

পাউ অসি তাবদগী পুলিস লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা

...মখা লমায় ৩ কলম ৫





HL-B/8918/14,18,22

# রিলিফ কেম্পতা ইচানুপী মঙাগা মমাগা পূন্না ঐখোয় ৬ লৈরকখিবনি, ইচানুপী য়াইমদি তূম্ফম লৈতদনা মচি-মচিদা তূম্লগা লেল্লকপা চহী ফাজিল্লক্লে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**

**হকথেংনবা পাউদম**

চূড়াচান্দপুরগী সাইকোটতগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী লমহেন-তুহেনবা কুকিশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফূরুপ মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকপদগী থৱায় হিংনবা চেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মশাগী চহী ৫৬ লোম শুরবা ফিলিপ হাওবিজমনা পাউচে অসিদা হায়, ঐহাক ঐগী লোয়নবী (হাওবিজম ওংবী ইনাও) অমসুং ইচা মঙাগা চূড়াচান্দপুরগী সাইকোটতা লৈরকখিবনি। হিংনবগী অফং-অফংবা শূদুনা য়ূম পুরগা ইচা মঙাবু মী ওইনবা অঙম্বা শেল তাল্লকখিবনি।



লানফমদা অফং-অফংবা থবক শূরকখি। য়ূমগী টাইলস নপ্পা চৎলি, চেক শূবসু চৎলি।

অদুবু হার্টকী অনাবা মায়োক্লরকপদগী ঐনা লৈরিবা মফম অদুদা ৱার্কশোপ অমগা হোটেল অমগা হাংদুনা ঐগী লোয়নবীগা লোয়ননা শেল তাল্লকখিবনি। মতম কুইনা হকচাং ঙম্লদ্রবা মতুং খরা ফরক্তুনা অনৌবা শিনফমশিং অসিদা মায় ওনশিন্দুনা হোৎনজরকপা থা ৭ লোম শুরকপা মতম মে ৩, ২০২৩দা খঙহৌদনা তমথীরবা লান অসি হৌরকপনা মরম ওইরদুনা ঐগী লৈজবা য়ূম-কৈ য়াওনা পোৎ চৈ পূম্নমক কুকিশিংনা মৈনা তুম্না থাদোকপীখি। মরম অসিদগী লৈফম লৈরক্তদুনা বিষ্ণুপুরগী অরিবা দি সী ওফিসতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি ফাওবা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লি হায়রি।

ফিলিপ হাওবিজমনা হায়, লৈঙাক্তা ঐহাক্কী মায়কৈদগী করিসু হায়নীংদ্রে। শেল থুম মাঙবা য়াবা মাঙখ্রে। হৌজিক অমুক মকোক্তগী হৌবগী ফীভমদা লৈরে। শেল থুমদগী হেন্না মরু ওইরিবসি ঐখোয়না হান্না লৈরকখিবা মফম অদুদা ঈং-তপ্পা পূন্সি মহিংদা লৈবদুনি। রিলিফ কেম্প অসিদা লৈবনা তুংগী মীৎয়েং অমত্তা উরক্তবনা অৱাবা অমা ওইরে। হার্ট পেসেন্ট ওইবদগী মতম শাংনা হীদাক লাংথক কয়া চারকপনা কিদননিদা তাইনরকপদগী হৌজিক হার্টকী মথক্তা কিদনিদসু অনাবা হৌরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈ হায়বদু মঙাই, হোস্পিটালদা লৈবগা চপ মান্নরে।

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সেঞ্জম ননাও ফূরম্বগী থৌওং মণিপুর হোকর এসোসিএসননা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা য়াইরিপোক টোপ চীংথা লাইমাংদা লৈবা মণিপুর হোকর এসোসিএসনগী মেম্বর সেঞ্জম ননাও অপোকপা এস ইবোমচাবু মশক খঙদবশিংনা য়ূমগী থোঙ ফাওবা কাওখায়দুনা চঙলক্লগা য়াম্না তমথীবা মওংদা ফূবীরম্লে হায়না এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা থৌওং অসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে হায়রি।

নাংমগী হিংনবগী লানফমদা মশাগী য়ূম পুবা ঙম্লবা মীয়ামদা পাউচে

...মখা লমায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫